# মমাঙগী চেম্পিয়ন বেঙ্গালুরু এফ সিনা চেন্নাইন এফ সি থোইদুনা পোইন্ট টেবলগী ৫ শুবা থাক্তা হায়গৎপা ঙমখ্রে

Match on 23 Nov. (Sat)

BENGALURU Vs KERALA



বেঙ্গালুরু, নবেম্বর ১০(এজেন্সী): ৬শুবা হিরো ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা মমাঙগী চেম্পিয়ন বেঙ্গালুরু এফ সিনা চেন্নাইন এফ সিবু মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট টেবল ৫শুবা থাক্তা হায়গৎপা ঙমখ্রে।

বেঙ্গালুরুদা লৈবা শ্রি কান্তিরাভা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অমদা বেঙ্গালুরু এফ সিনা চেন্নাইন এফ সিবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইদুনা পোইন্ট ৬ ফংখিবগা লোয়ননা ৫শুবা পোজিসনদা হায়গৎকিবনি।

মেচ অদু হৌরকপদা বেঙ্গালুরু এফ সিনা য়াম্না পাঙ্গল লৈনা শান্নবা ঙমখি। হৌরকপা ১৪শুবা মিনটতা বেঙ্গালুরু এফ সিগী মায়কৈদগী দেলগাদোনা কাউরকপা কোর্নর কিক অমদা ইরিক পারটালুনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ঙন্না মাংজিল থাবা ঙমখি। চেন্নাইয়ন এফ সি চথুরিবা লীগ টুর্নামেন্ট অসিদা মমাঙদা শান্নখিবা মেচ ৩দা অমখক দ্রো চৎলগা অনী মায়থীবা নংখি। নাকল অমরোমদা বেঙ্গালুরু এফ সি মখোয়না শান্নখিবা মেচ ৩মক দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৩ ফংদুনা লাকখি।

পাঞ্জল অমা মাংজিল থারবা বেঙ্গালুরুগী শান্নরোয়শিং এটেক চথুবা লেপখিদে। ২৫ শুবা মিনটতা মখোয়না পুশিনখিবা বোল অমা রাফেল ওগষ্টোনা ফঙদুনা শাংনা পীরকখিবা বোল অদু টিম অদুগী কেপ্টেন ওইরিবা সুনিল সেত্রিনা ফিভম চানা শাফু কন্না কাউশিনখিবদগী মেচ অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু ওইখি।

অহানবা হাফ লোইশিল্লবা ফাওবদা চেন্নাইন এফ সি পাঞ্জল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা বেঙ্গালুরুনা মখোয়বু ২-০দা মাংজিল থারগা লৈখি। অনীশুবা হাফ অদুদা পাঞ্জল শোথরবা চেন্নাইন কাংবুনা বেঙ্গালুরুগী মায়কৈদা অহেনবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা বোল তোইনা পুশিনবা ঙমখি। অদুবু বেঙ্গালুরুগী দিফেন্দরশিং অদুগী মায়কৈদগী বোলশিং অদু মখা তানা গোল পোষ্ট তম্না য়ৌহন্দনবা হোৎনবদা মায় পাকখি।

বেঙ্গালুরুগী মায়কৈদগী অনীশুবা হাফতা সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা মণিপুর মচা সেংবোই হাওকিপনা চঙলকপগা মিনট ১৩গী মনুংদা টিমমেট পারটালুনা পীরকপা বোল অদু মিদফিল্ডদগী কলেক্ট তৌদুনা পুশিল্লবা মতুং চেন্নাইনগী দিফেন্দর অলি সাবিয়াবু লান্থোক্তুনা মেচ অদুগী ৩শুবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৮৪ শুবা মিনটতা ওইহনখি।

মেচকী লেমহৌবা মিনট খরা অদুদা চেন্নাইন পাঞ্জল হন্দোকপগী তাঞ্জা ফংখিদে। বেঙ্গালুরু এফ সিনা চথুরিবা ৬শুবা হিরো আই এস এলগী টাইটল দিফেন্দ তৌনবা হোৎনরকপদা অহানবা ওইনা মায় পাকপা ঙমখি।

ঙরাং জমসেদপুর এফ সিবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইবা ঙমখিবা এ টি কেনা লীগ অসিগী রাউন্দ ৪ লোইশিল্লকপদা মেচ ৩ মায় পাক্লগা অমা মায়থীদুনা পোইন্ট ৯ ফঙদুনা টিম ১০গী মাংজিল থারি। অনীশুবা অমদি অহুমশুবা পোজিসনদা এফ সি গোৱা অমসুং নোর্থইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সি পোইন্ট ৮/৮দা লৈরি। লীগ অসি ঙসিদগী ব্রেক লৈরগা নম্বের ২৩দা অমুক হৌগদৌরি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | ATK | 4 | 3 | 0 | 1 | 9 | 2 | +7 | 9 |
| 2 | Goa | 4 | 2 | 2 | 0 | 10 | 5 | +5 | 8 |
| 3 | NorthEast United | 4 | 2 | 2 | 0 | 5 | 3 | +2 | 8 |
| 4 | Jamshedpur | 4 | 2 | 1 | 1 | 6 | 5 | +1 | 7 |
| 5 | Bengaluru | 4 | 1 | 3 | 0 | 4 | 1 | +3 | 6 |
| 6 | Odisha | 4 | 1 | 1 | 2 | 6 | 6 | 0 | 4 |
| 7 | Kerala Blasters | 4 | 1 | 1 | 2 | 3 | 4 | -1 | 4 |
| 8 | Mumbai City | 4 | 1 | 1 | 2 | 5 | 8 | -3 | 4 |
| 9 | Hyderabad | 4 | 1 | 0 | 3 | 3 | 10 | -7 | 3 |
| 10 | Chennaiyin | 4 | 0 | 1 | 3 | 0 | 7 | -7 | 1 |

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৬

১) কুমজা ১৯৭৪ দা ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা খ্বাইদগী চাওবা শান্নবগী থৌরম অদু করিনো?

২) জেসি ওৱেন (অমেরিকা) অমসুং লোঙ লটজ (জর্মনি) মরুপনি। লোঙ লটজ অনিশুবা লাঞ্জাওদা শরুক য়াখিবদা অফ্রিকাগী মফম অমদা লৈখিদে। মখোয় অনী অরোইবা ওইনা করম্বা মফমদা উনখি।

৩) অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবদা মণিপুরগী টিমসু শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অদু করম্বা মফমদা পাঙথোকখি?

৪) ঐনা মহাকপু ওলিম্পিক্কী লমজেন্দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা তাখি। অদুবু মহাক লৈবাক অমগী গভর্ণর জেনরেল ওইখি। মহাক ইংলেন্দগী নিংথৌরেল অমদি মহাক্কী ইমুং-মনুংগী দাক্তর চহী ৩০ হেন্না ওইরম্মী। মহাক কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## INDIAN SUPER LEAGUE 2019-2020

### SCHEDULE, FIXTURES

| Date, Time & Venue | Match | | |
|---|---|---|---|
| Nov 23 2019, Sat - 19:30 (IST), Bangalore | Bengaluru | Vs | Kerala Blasters |
| Nov 24 2019, Sun - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | ATK |
| Nov 25 2019, Mon - 19:30 (IST), Chennai | Chennaiyin | Vs | Hyderabad |
| Nov 26 2019, Tue - 19:30 (IST), Goa | Goa | Vs | Jamshedpur FC |
| Nov 27 2019, Wed - 19:30 (IST), Guwahati | NorthEast United | Vs | Mumbai City |
| Nov 28 2019, Thu - 19:30 (IST), Chennai | Chennaiyin FC | Vs | Odisha |
| Nov 29 2019, Fri - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | Bengaluru |
| Nov 30 2019, Sat - 19:30 (IST), Kolkata | ATK | Vs | Mumbai City |
| Dec 1 2019, Sun - 19:30 (IST), Kochi | Kerala Blasters | Vs | Goa |
| Dec 2 2019, Mon - 19:30 (IST), Jamshedpur | Jamshedpur | Vs | NorthEast United |
| Dec 4 2019, Wed - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | Bengaluru |
| Dec 5 2019, Thu - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | Kerala Blasters |
| Dec 6 2019, Fri - 19:30 (IST), Jamshedpur | Jamshedpur FC | Vs | Chennaiyin FC |
| Dec 7 2019, Sat - 19:30 (IST), Guwahati | NorthEast United | Vs | ATK |
| Dec 8 2019, Sun - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | Goa |
| Dec 11 2019, Wed - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | Hyderabad |
| Dec 12 2019, Thu - 19:30 (IST), Guwahati | NorthEast United | Vs | Chennaiyin FC |
| Dec 13 2019, Fri - 19:30 (IST), Kochi | Kerala Blasters | Vs | Jamshedpur FC |
| Dec 14 2019, Sat - 19:30 (IST), Goa | Goa | Vs | ATK |
| Dec 15 2019, Sun - 19:30 (IST), Bangalore | Bengaluru | Vs | Mumbai City |
| Dec 18 2019, Wed - 19:30 (IST), Guwahati | NorthEast United | Vs | Bengaluru |
| Dec 19 2019, Thu - 19:30 (IST), Jamshedpur | Jamshedpur FC | Vs | Mumbai City |
| Dec 20 2019, Fri - 19:30 (IST), Chennai | Chennaiyin FC | Vs | Kerala Blasters |
| Dec 21 2019, Sat - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | ATK |
| Dec 22 2019, Sun - 19:30 (IST), Goa | Goa | Vs | Odisha |
| Dec 25 2019, Wed - 19:30 (IST), Kolkata | ATK | Vs | Bengaluru |
| Dec 26 2019, Thu - 19:30 (IST), Chennai | Chennaiyin FC | Vs | Goa |
| Dec 27 2019, Fri - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | Jamshedpur FC |
| Dec 28 2019, Sat - 19:30 (IST), Kochi | Kerala Blasters | Vs | NorthEast United |
| Dec 29 2019, Sun - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | Hyderabad |
| Jan 2 2020, Thu - 19:30 (IST), Guwahati | NorthEast United | Vs | Jamshedpur FC |
| Jan 3 2020, Fri - 19:30 (IST), Bangalore | Bengaluru | Vs | Goa |
| Jan 4 2020, Sat - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | ATK |
| Jan 5 2020, Sun - 19:30 (IST), Kochi | Kerala Blasters | Vs | Hyderabad |
| Jan 6 2020, Mon - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | Chennaiyin FC |
| Jan 8 2020, Wed - 19:30 (IST), Goa | Goa | Vs | NorthEast United |
| Jan 9 2020, Thu - 19:30 (IST), Bangalore | Bengaluru | Vs | Jamshedpur FC |
| Jan 10 2020, Fri - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | Chennaiyin FC |
| Jan 11 2020, Sat - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | Mumbai City |
| Jan 12 2020, Sun - 19:30 (IST), Kolkata | ATK | Vs | Kerala Blasters |
| Jan 15 2020, Wed - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | Odisha |
| Jan 16 2020, Thu - 19:30 (IST), Chennai | Chennaiyin FC | Vs | NorthEast United |
| Jan 17 2020, Fri - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | Bengaluru |
| Jan 18 2020, Sat - 19:30 (IST), Kolkata | ATK | Vs | Goa |
| Jan 19 2020, Sun - 19:30 (IST), Jamshedpur | Jamshedpur FC | Vs | Kerala Blasters |
| Jan 22 2020, Wed - 19:30 (IST), Bangalore | Bengaluru | Vs | Odisha |
| Jan 23 2020, Thu - 19:30 (IST), Chennai | Chennaiyin FC | Vs | Jamshedpur FC |
| Jan 24 2020, Fri - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | Mumbai City |
| Jan 25 2020, Sat - 19:30 (IST), Goa | Goa | Vs | Kerala Blasters |
| Jan 27 2020, Mon - 19:30 (IST), Kolkata | ATK | Vs | NorthEast United |
| Jan 29 2020, Wed - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | Goa |
| Jan 30 2020, Thu - 19:30 (IST), Bangalore | Bengaluru | Vs | Hyderabad |
| Jan 31 2020, Fri - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | NorthEast United |
| Feb 1 2020, Sat - 19:30 (IST), Kochi | Kerala Blasters | Vs | Chennaiyin FC |
| Feb 2 2020, Sun - 19:30 (IST), Jamshedpur | Jamshedpur FC | Vs | ATK |
| Feb 5 2020, Wed - 19:30 (IST), Goa | Goa | Vs | Hyderabad |
| Feb 6 2020, Thu - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | Jamshedpur FC |
| Feb 7 2020, Fri - 19:30 (IST), Chennai | Chennaiyin FC | Vs | Bengaluru |
| Feb 8 2020, Sat - 19:30 (IST), Kolkata | ATK | Vs | Odisha |
| Feb 9 2020, Sun - 19:30 (IST), Guwahati | NorthEast United | Vs | Kerala Blasters |
| Feb 12 2020, Wed - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | Jamshedpur FC |
| Feb 13 2020, Thu - 19:30 (IST), Goa | Goa | Vs | Mumbai City |
| Feb 14 2020, Fri - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | NorthEast United |
| Feb 15 2020, Sat - 19:30 (IST), Kochi | Kerala Blasters | Vs | Bengaluru |
| Feb 16 2020, Sun - 19:30 (IST), Kolkata | ATK | Vs | Chennaiyin FC |
| Feb 19 2020, Wed - 19:30 (IST), Jamshedpur | Jamshedpur FC | Vs | Goa |
| Feb 20 2020, Thu - 19:30 (IST), Guwahati | NorthEast United | Vs | Hyderabad |
| Feb 21 2020, Fri - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | Chennaiyin FC |
| Feb 22 2020, Sat - 19:30 (IST), Bangalore | Bengaluru | Vs | ATK |
| Feb 23 2020, Sun - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | Kerala Blasters |

# নোবাক জোকোবিস মায় পাকখ্রে

Nitto ATP FINALS

লন্দন, নবেম্বর ১০(এজেন্সী): লন্দনগী ও টু এরেনাদা ঙসিদগী হৌখিবা ৫০ রকশুবা সিঙ্গলসকী অমসুং ৪৫রক শুবা দবলসকী এ টি পি টুর ফাইনেলসতা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিস অহানবা রাউন্দ মায় পাকখ্রে।

চহী অসিগী সিজন লোইশিল্লকপদা নুপাগী সিঙ্গলসকী মকোক থোংবা শান্নরোয় ৮না ক্বালিফাই ওইদুনা গ্রুপ অনী থোক্না লম্বা তৌনরকপনি। নোবাক জোকোবিস বিয়োন বোর্গ গ্রুপ্তা ঙসি ইটালিগী শান্নরোয় মাতিও বেরেটেনিগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না কোম্না ৬-২, ৬-১দা থোইবা ঙমখি।

ঙসি অহানবা মেচ ওইনা দবলসকী জোর্নাস বিয়োর্কমেন গ্রুপ্তা সাউথ অফ্রিকাগী রাবেন ক্লাসেন অমদি ন্যু জিলেন্দগী মাইকেল ভেনসকী পেয়রনা য়ু এস এগী রজিব রাম অমদি গ্রেট বৃটেনগী জো সালিস ব্যুরিবু ৬-৩, ৬-৪দা অহানবা রাউন্দ রোবিন মেচ অদু মায় পাকখি। অথেংবদা মখা তাবা মেচশিং শান্নগদৌরি।

# জপানগী কেন্তো মোমোটানা নুপাগী অদুগা চাইনাগী সেন য়ুফৈনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখ্রে

FUZHOU CHINA OPEN 2019



ফুজৌ, নবেম্বর ১০(এজেন্সী): চাইনাগী সিটি ফুজৌদা পাঙথেল্লিবা চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচশিংদা জপানগী কেন্তো মোমোটানা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল ফংখ্রে। নুপীগী কাংলুপ্তা চাইনাগী সেন য়ুফৈনা লৌখ্রে।

ৱর্ল্ড নম্বর ১সু ওইরিবা জপানগী কেন্তো মোমোটানা ঙসি চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী টাইটল ফংখিবা অদুনা চহী অসিদা মহাক্কী ১০রক শুবা টাইটল ওইবা ঙমখি। ঙসি মহাক্না ফাইনেলদা চাইনিজ টাইপৈগী টুর্নামেন্ট অদুগী নম্বর ২ সিদেদ শান্নরোয় চৌ তিয়েন চেনবু অকনবা লম্বা অমদা গেম ২-১দা থোইখি।

অহানবা গেম অদু কেন্তো মোমোটানা ২১-১৫দা থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা গেমদা চৌ তিয়েন চেননা ফজবা হেল্লক্তুনা ২১-১৭দা থোইদুনা ফাইনেল মেচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা দিসাইদিং গেম অদুগীদমক শেম শান্নখি।

ফাইনেল গেম অদু শান্নরোয় অনীগী মায়কৈদগী হেঞ্জিন্নবা ঙমদনা লাকখি। অদুবু চহী অসিগী টাইটল ৯ ফংবা ঙল্লবা কেন্তো মোমোটানা লোইশিল্লকপদা ২১-১৮দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী কাংলুপ্তা মমাঙ চহীগী চাইনা ওপন অসিগী টাইটল ফংখিবী লৈবাক অদুমক্কী শান্নরোয় সেন য়ুফৈ অমদি জপানগী নোজোমি ওকোহারাগা লম্বা তৌনখি।

অহানবা গেম অদু ওকোহারানা য়াম্না কোম্না ২১-৯দা থোইবা ঙমখি। অদুবু চেন য়ুফৈনা অনীশুবা গেম অদুদগী ফজবা হেল্লক্তুনা ২১-১২তা থোইরগা গেম অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অরোইবা গেম অদু হান্না শান্নখিবা মওংদগী লম্বা হেনগৎলকখি। পোইন্ট মান্ন-মান্নদুনা লাক্লগা ১৮-১৮দা লৈখি। লোইশিল্লকপদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩ শুবা সিদেদ ওইরিবী চাইনাগী সেন য়ুফৈনা ২১-১৮দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখি।

নুপাগী দবলসকী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী পেয়র রানকিরেদি অমসুং চিরাগ সেথিবু সেমি ফাইনেলদা থোইরম্বা ৱর্ল্ড নম্বম ১ ইন্দোনেসিয়াগী মার্কস গিদিওন অমসুং কেবিন সঞ্জয়ানা জপানগী টাকিসি কমুরা অমদি কৈগো সোনোদাবু ২১-১৭, ২১-৯দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

নুপীগী দবলসতা অনীশুবা সিদেদ য়ুকি ফুকুসিমা অমসুং সয়াকা হিরোতানা সাউথ কোরিয়াগী লি সো হি অমসুং সিন সিয়ুং চানবু ২১-১৭, ২১-১৫দা থোইরগা টাইটল লৌখি। মিক্স দবলসতা চাইনাগী পেয়র অনীগী লম্বদা ৱাং য়িলু অমসুং হুৱাং দোংপিংনা মায় পাক্তুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

# ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজকী ক্রিকেট টিমবু রন ৮৪দা থোইদুনা টি-২০ সেরিজ মাংজিল থাখ্রে



সেন্ট লুসিয়া, নবেম্বর ১০(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিমনা ৱেষ্ট ইন্দিজতা টুর অমা শান্নরিবা অসিগী মনুং চন্না ঙসি শান্নখিবা টি-২০ মেচ ৫গী সেরিজগী অহানবা মেচতা ইন্দিয়ানা য়াম্না চাওনা হেন্দুনা রন ৮৪দা মায়থীবা পীখ্রে।

সেন্ট লুসিয়াগী গ্রোজ আইলেটতা লৈবা দরেন সামি নেসনল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা অহানবা টি-২০ সেরিজ অদুদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী নুপীগী কেপ্টেন অনিসা মহমদনা টোস ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ইনিংস অদু নহা ওইরিবী সফালি বর্ম্মা অমসুং স্মৃতি মন্ধননা হৌদোকখি।

মখোয় অনীনা য়াম্না ফজবা মওংদা অহানবা ৱিকেট পার্টনসিপ অদুদা রন ১৪৩ হাপচিন্দুনা য়াম্না ফজবা স্কোর অমা থম্বা হৌখি। চহী ১৫গা নুমিৎ ২৮৫ শুরবী সফালি বর্ম্মনা শুপ্নগী বোল ৫৯দা রন ৭৩ লৌদুনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অমনা খ্বাইদগী চহী নৌনা টি-২০গী হাফ সেঞ্চুরি লৌবা ঙম্বগী রেকোর্দ অদু থমখি।

সফালি বর্ম্মগী মমাঙদা শান্নবগী পোত্থাখ্রবা সচিন টেন্দুলকরনা মশাগী চহী ১৬কা নুমিৎ ২১৪ শুবা মতমদা টেষ্ট হাফ সেঞ্চুরি লৌবগী রেকোর্দ থম্লবা অদু চহী ৩০গী মতুংদা ঙসি সফালি বর্ম্মনা থুগাইখিবনি।

সফালি বর্ম্ম আউট ওইখ্রব মতুংদা কেপ্টেন হর্মিত কোর চঙলকখিবা অদুবু পার্টনসিপ অমা শেমগৎপা ঙমদ্রিঙৈদা স্মৃতি মন্ধনা বোল ৪৬তা রন ৬৭ লৌদুনা ওভব ১৭ শুরকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনী পুজা বস্ত্রকর অমসুং দিপতি শর্ম্মা অথুবা মতমদা আউট ওইদুনা ওভর ১৮ শুরকপা রন ১৫৭ লৈখি।

ইনিংস লোইশিনখিবদা কেপ্টেন কোর রন ২১ অমদি ৬শুবা বেটচৱিমেন বেদা কৃষ্ণমুর্তি রন ১৫ লৌদুনা আউট ওইদনা লৈখি। মায় পাক্লবা রন ১৮৬ লৌনবা হোৎনরকপদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটচৱিমেনশিং নীংথিনা শান্নবা ঙমখিদে।

মরু ওইনা সর্মেন কেম্বেলনা ইন্দিয়াগী বোল্লরশিং অদুবু নিংথিনা মায়োক্লদুনা রন ৩৩ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী য়ামখি। ওপনর হেরি মেথিয়ু (১৩), কিসোনা নাইট (১২) অমসুং ষ্টেসি আর্নকিং (১৩) নত্তনা অতোপ্পাশিংদি রন য়াম্না লৌবা ঙমখিদে। ইন্দিয়াগী বোল্লরশিংগী মরক্তা হর্মনপ্রিত নত্তনা অতোপ্পা বোল্লর ৫ ৱিকেট লৌবা ঙমখি।

# মেনচেষ্টর য়ুনাইটেদনা ব্রাইটোন এন্দ হোব অলবিয়োন ৩-১দা থোইখ্রে

Premier League



লন্দন, নবেম্বর ১০(এজেন্সী): মালেমগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা ইংলেন্দদা পাঙথোকপা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা অঙনবা মেচ অমদা মেনচেষ্টর য়ুনাইটেদনা ব্রাইটোন এন্দ হোব অলবিয়োনবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইখ্রে।

মেচ অদুগী অহানবা হাফতা মেনচেষ্টর য়ুনাইটেদকী পাঞ্জল ২ লৈখি। ১৭ শুবা মিনটতা এন্দ্রি পেরৈরনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। ১৯ শুবা মিনটতা ব্রাইটোন এন্দ হোব অলবিয়োনগী দেবি প্রোপরনা ওন গোল অমা চন্দুনা য়ুনাইটেদকী পাঞ্জল ২ শুখি। অনীশুবা হাফতা ব্রাইটোনগী মায়কৈদগী লেৱিস দঙ্কনা পাঞ্জল অমা ৬৪শুবা মিনটতা হন্দোকখি। মদুগী মতুং ৬৬ শুবা মিনটতা মেনচেষ্টর য়ুনাইটেদকী মার্কস রাসফোর্দনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা ৩-১দা থোইখি।

অতোপ্পা মেচ অমদনা ৱোলবরহেমটন ৱান্দর্সনা এষ্টোন ভিলাবু ২-১দা থোইখি। মেচকী ৪১ শুবা মিনটতা ৱান্দর্সকী রুবেননা পাঞ্জল অমা চনখি। অনীশুবা হাফকী ৪৪ শুবা মিনটতা ৱান্দর্সকী রাউল জিনেজেননা পাঞ্জল অমগা হাপচিনখ্রবা মতুং ৯০ শুবা মিনটতা এষ্টোন ভিলাগী ত্রিজিগেনা পাঞ্জল অমা হন্দোকখি।

অথেংবা শান্নবা লোইশিন্দ্রিবা মেচ অমদা লিদর ওইরিবা লিভরপুলনা মেনচেষ্টর সিটিবু পাঞ্জল ৩-০দা মাংজিল থারি।

# ফ্রান্সনা ওষ্ট্রেলিয়াবু মেচ ৩-২দা মায়থীবা পীদুনা ফেদ কপ টাইটল লৌখ্রে

FedCup by BNP PARIBAS



পর্থ, নবেম্বর ১০(এজেন্সী): মালেমগী টেন্নিস শান্নবা লৈবাকশিংগী নুপীগী টিম টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ফেদরেসন কপকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা য়ুন্থু ওইখিবা ওষ্ট্রেলিয়াবু ফ্রান্সনা মেচ ৩-২দা থোইদুনা টাইটল ফংখ্রে।

ফ্রান্সনা ঙসি টাইটল ফংখিবা অসি মখোয়না য়ু এস এগী টিমবু কুমজা ২০০৩দা থোইখিবা অদুগী মতুংদনি। অমরোমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম ফাইনেলদা মায়থীখিবা অসি থারগা মখোয়না শরুক য়ারকপা ফাইনেল ৯মক মায় পাকপা ঙমদনা লৈরি।

ঙরাং ফাইনেল অসিগী অহৌবা নুমিৎতা ফাইনেল মেচ অনী শান্নখি। অহানবা মেচতা ফ্রান্সকী খৃষ্টিনা লাদোনোবিসনা ওষ্ট্রেলিয়াগী আইলা তোম্লিয়ানোবিসপু ৬-১, ৬-১দা থোইদুনা মেচ অমা মাংজিল থাখি। অদুবু অনীশুবা মেচতা ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিনা ফ্রান্সকী কেরোলিন গার্সিয়াবু ৬-০, ৬-০দা থোইদুনা মেচ অমমম মান্নরগা লৈখি।

ঙসিগী রিভর্স সিঙ্গলসকী অহানবা মেচতা এস্লি বার্টিবু ফ্রান্সকী লাদেনোবিসনা য়াম্না ফজবা মেচ অমদা ২-৬, ৬-৪, ৭-৬ (৭-১)দা থোইদুনা মেচ ২-১দা মাংজিল থাখি। অরোইবা রিভস সিঙ্গলসতা ওষ্ট্রেলিয়া আইলানা ফ্রান্সকী পোলিনবু ৬-৪, ৭-৫তা থোইদুনা মেচ ২-২দা লৈনরবা মতুং দবলসকী মেচতা ফ্রান্সনা থোইদুনা ফেদ কপ টাইটল অদু লৌখি।